# সব জুনিয়র গার্লস নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপতা রন্নর্স অপ তারকখ্রবা মণিপুর টিম তরাম্না ওকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা হন্দক্তা অসামগী জোরহাট ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা সব জুনিয়র গার্লস নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫-২৬কী টয়র ১দা টিম রন্নর্স অপকী ত্রোফি লৌরকখ্রবা মণিপুর টিম ঙসি মীয়ামগা লোয়ননা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না হরাও-তরাম্না ওকখ্রে।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা টিম ১৫না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথুখিবা নেশনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী ফাইনেল মেটচতা মমাঙ চহীগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইখিবা মণিপুর অমদি ঝরখন্দ টিমগী মরক্তা লন্থা তৌনখি। টিম অনীনা অকনবা মওংদা লন্থা তৌনরবা মতুং মেটচ অদু ঝরখন্দনা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাক্তুনা অহুম্লকশুবা ওইনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ঙসি মণিপুর টিমনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা অম্ফা অমদি মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্তুনা হরাও-তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পুক্লিং থৌগৎখি। মণিপুরগী মহুৎ শিনখিবা শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিং তরাম্না ওকপগী থৌরমগা মরী লৈননা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা হায়, মমাঙ চহীগী টিম চেম্পিয়ন ওইখিবা মণিপুরনা হন্দক্কী চহী অসিদা টিম রন্নর্স অপ তারকপদা ঐখোয়গী থম্মোয়দা নিংহন্নবা অমদি নুংঙাইতবা ফাওদে। মরমদি চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুর টিমগী শান্নরোয় ৭ অমদি এ আই এফ এফনা মখোয়গী সী আর এস তৌবদা অশোয়বা লৈরম্বদগী অথিংবা থম্লকখি। মদুনা মরম ওইরগা লেমহৌরিবা শান্নরোয় ১৩ অমদি ওফিসলশিংনা অঙন্বা থাক্তা হোৎনদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকখিবা হায়বসি মায় পাকপা অমনি।

মথংদদি মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা সী আর এস তৌবা মতমদা শীজিন্নখিবা দোক্যুমেন্টশিং অদুগা চপ মান্ননা হাপ্পবা অমদি শোয়দনবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্নসি হায়খি।

মহাক্না হায়, মণিপুর টিমনা গ্রুপ বিগী লিগ মেটচশিংদা হৈশিংনা শান্নদুনা চাওনা মায় পাক্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকখি। সেমি ফাইনেলদা মণিপুরনা বিহারবু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখি। অদুগা ফাইনেলদা ঝরখন্দগী মখুৎতা মায়থীদুনা টিম রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি। মরম অদুনা ঐখোয় নীংহন্নিংঙাই মরম লৈতে হায়খি।

অমরোমদা, মণিপুর টিমগী হেদ কোচ ওইনা লুচিংখিবী ইরোম প্রমেশ্বরিনা হায়, ঐখোয়গী টিমনা লাইবক থীবদগী শান্নরোয় অমগী মখুৎতা অশোকপা য়াওরকপদগী শান্নবদা শরুক য়াবা ঙম্লক্তবা অদুগা শান্নরোয় ৬না এ আই এফ এফনা অথিংবা থম্লকপদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। অথিংবা থমখিবা শান্নরোয় ৬কী মনুংদা গোল কিপর ওইগদবা শান্নরোয় অনীমক য়াওখি। অদুমকপু ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংনা নীংহন্নবা লৈতনা টিম চেম্পিয়ন ওইদবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা ঝরখন্দ টিমগা ফাইনেল শান্নখি। মদুদা ঝরখন্দনা পাঞ্জল অমখক হেন্দুনা মায় পাকখিবনি। অদুবু ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংগী ওইনদি রন্নর্স অপ তাহৌরবসু মায় পাকপনি হায়খি।

# দি সী চান্দেল ত্রোফিঃ আর এস সী, চুম্বাং এফ সী মায় পাকখ্রে, কাপম দি সী অমসুং জয়োন্তলাং এস ৱাই সী দ্রো চংখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেলনা শীল্লগা মমাঙ থাগী ৩০দগী হৌরগা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স চান্দেল খুষ্টানদা চথরিবা দি সী চান্দেল ত্রোফি সেকেন্দ দিভিজন লিগ ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা লিগ মেটচশিংদা আর এস সী অমসুং চুম্বাং এফ সী মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা কাপম দি সী অমসুং জয়োন্তলাং এস ৱাই সী দ্রো চংখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৮ তাবদগী হৌরগা পি টি এস সী অমসুং আর এস সীগী মরক্তা অহানবা লিগ মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী আর এস সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা আর এস সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। পাঞ্জল অদু মেটচ অদুগী ১০ শুবা মিনটতা খুলর ৱাংনোংনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু আর এস সীনা অদুমক লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা ৫৪ শুবা খুলর ৱাংনোংনা মহাক্কী অমদি মখোয়গী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পি টি এস সীগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মেটচ অদুগী ৫৮ শুবা মিনট পি টি এস সীগী অদাননা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ৭৭ অমসুং ৮৯ শুবা মিনটতা আর এস সীগী এস কে মথুইমি অমসুং জাফেটনা পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু আর এস সীনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ঙসিগী অনীশুবা লিগ মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ১ তাবদগী হৌরগা লম্খু ৱাই সী সী অমসুং চুম্বাং এফ সীগী মরক্তা লন্থা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৬ শুবা মিনটতা চুম্বাং এফ সীগী রুথৌনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা লম্খু ৱাই সী সীনা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না শান্নখি। অদুবু হৈশিংবা মান্নখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। চুম্বাং এফ সীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা অকন্নবা মওংদা হোৎনখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা নাকল অনীমক্না মখা তাবা পাঞ্জলশিং চন্নবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু চুম্বাং এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখিবনি।

ঙসিগী অরোয়বা লিগ মেটচ ওইনা কাপম দি সী অমসুং জয়োন্তলাং এস ৱাই সীগী মরক্তা লন্থা তৌনখি। টিম অনীমক্না অকনবা মওংদা লন্থা তৌনরবা মতুং মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চংখিবনি। কাপম দি সীগী পাঞ্জল অদুনা সেটনমনা অদুগা জয়োন্তলাং এস ৱাই সীগী পাঞ্জল অদুনা হাওপুংনা চনখিবনি।

# ঐচ ভি এ, দি ভি এ, এমিমাইদো মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিএশন (এ এম ভি এ) অমদি এন ৱাই ভি এ নাওরেম অনীনা পুন্না খুৎশম্নরগা মমাঙ থাগী ৩০দগী হৌরগা চথরকখিবা ৪৫ রক শুবা জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভোল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ক্বার্টর ফাইনেলগী লাইন অপ তৌবা লোইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৩না শরুক য়াদুনা পি ৱাই সী গ্রাউন্দ নাওরেমদা চথরিবা টুর্নমেন্ট অসিগী ঙসি হুম্নি চনবা নুমিৎতা শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা ঐচ ভি এ, দি ভি এ, এমিমাইদো, য়ু এন টি অমদি এন ৱাই ভি এ মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা ঐচ ভি এনা এম আর সীবু সেট ৩-০দা, অনীশুবা মেটচতনা দি ভি এনা পাসিবু সেট ৩-০, অহুমশুবা মেটচতনা এমিমাইদোনা ইগলবু সেট ৩-০, মরিশুবা মেটচতনা য়ু এন টিনা পি আর এস সীবু সেট ৩-০ অদুগা মঙাশুবা মেটচতনা এন ৱাই ভি এলনা ১১ ষ্টারবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা এমিমাইদো অমদি পি ৱাই সী লন্থা তৌনগনি। অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচনা দি ভি এ অমসুং কে এস এ, মরিশুবা ফাইনেল মেটচতনা ঐচ ভি এ অমসুং য়ু এন টি অদুগা মরিশুবা অমদি অরোয়বা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতনা এন ৱাই ভি এ অমসুং এম আর সী টিমগী মরক্তা লন্থা তৌনরগনি।

# ফিট ইন্দিয়া মিসনগী মখাদা চথরকখিবা নেশনল স্পোর্টস দে লোইশিনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচ এন এস):** মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসকী ফিট ইন্দিয়া মিসনগী মখাদা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)না শীন্দুনা নুমিৎ চথরকখিবা নেশনল স্পোর্টস দেগী থৌরম ঙরাং সাইকল রেল্লি অমগা লোয়ননা লোইশিনখ্রে হায়না রিমসকী মীদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, নুমিৎ হুম্নি চথুখিবা নেশনল স্পোর্টস দেগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা রিমস কম্যুনিটিগী পুন্সি মহিং অমদি হকচাং ফনা লৈহন্নবগীদমক বেদমিন্টন, য়োগ সেসন য়াওনা ফিটনেস টোল্কশিং পাঙথোকখি।

ঙরাং লোইশিনবা নুমিৎকী সাইকল রেল্লি অদু রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর জি সুনিলকুমারনা রিমসকী জুবলি হোলদগী লমথাখি। সাইকল রেল্লি অদু রিমস জুবলি হোলদগী হৌরগা সনা কৈথেল, থাংমৈবন্দ, কংলা, উরিপোক ফাওদুনা লাক্লবা মতুং জুবলি হোলদা অমুক লমথুংফম ওইখি।

সাইকল রেল্লি অদুদা রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর এন সঞ্জিৎ, দিন একাদেমীকস প্রোফেসর লাইশ্রম রাজেশকা লোয়ননা দিপার্টমেন্টশিংগী হেদশিং, ফেকলটি মেম্বরশিং, ষ্টাফশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াখি। থৌরমগা মরী লৈননা শরুক য়াখিবশিংবু দিরেক্টরনা পুক্লিং থৌগৎপা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

# রাইও ভেলেকানো অমসুং বর্সেলোনা দ্রো চংখ্রে

**মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):** স্পেনদা হৌজিক চথরিবা লা লিগাগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা রাইও ভেলেকানো অমসুং বর্সেলোনা মান্নবা পাঞ্জলশিং চন্নদুনা দ্রো চংখ্রে।

মাদ্রিদতা লৈবা ষ্টাদিও দে ভেলেকাষ্টতা রাইও ভেলেকানো অমসুং বার্সেলোনাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা বার্সেলোনানা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা বার্সেলোনানা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৭ ওইখিবা মতমদা রাইও ভেলেকানোনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪৩ ওইখি।

বার্সেলোননা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু রাইও ভেলেকানোগী দিফেন্স লাইন লিংখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ৪০ শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী পেনালটি কাওনবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় লেমিন য়ামলনা পাঞ্জলদা ওন্থোক্তুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি।



অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৬৭ শুবা মিনটতা রাইও ভেলেকানোগী ফ্রান পেরেসনা ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চংখিবনি।

# লিগ ১ঃ লিওননা মার্সিএ মায়থীবা পীখ্রে

**পেরিস, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):** ফ্রান্সতা হৌজিক চথরিবা লিগ ১গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা লিওননা মার্সিএ মায়থীবা পীখ্রে।

ফ্রান্সকী ৱুপামাষ্টেদিয়মদা লিওন অমসুং মার্সিএগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা লিওনগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা লিওননা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৮ ওইখিবা মতমদা মার্সিএনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪২ ওইখি।



লিওননা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্লবসু মার্সিএগী দিফেন্দরশিংনা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা ফংহনখিদে। মেটচ অদুগী ২৯ শুবা মিনটতা মার্সিএগী শান্নরোয় সী জে এগান রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা লিওননা মেটচ অদু পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকপা ঙমখিবনি। লিওনগী পাঞ্জল অদু মার্সিএগী লিওনার্দো বলেরিনা শোয়বদগী মশাগী মায়কৈদা চনশিঞ্জখিবনি।

# ৱিমেন্স ও দি আই ৱর্ল্ড কপকী প্রাইজ মনি মিল্লিয়ন ডোল্লর ১৩ হেনখ্রে

**ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০১ (এজেন্সী):** ইন্টরনেশনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী)না ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কানা পুন্না য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমেন্স ও দি আই ৱর্ল্ড কপকী প্রাইজগী শেনফম য়ু এস মিল্লিয়ন ডোল্লর ১৩.৮৮তা হেনগৎহনখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০২২দা ন্যুজিলেন্দনা য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপকী প্রাইজগী শেনফম ডোল্লর মিল্লিয়ন ৩.৫ খক্তমক ওইখিবনি। অদুবু আই সী সীনা হন্দক হান্না ওইখিবা প্রাইজগী শেনফম শরুক মরিরোম হেনগৎলকখিবনি।



কুমজা ২০২৩দা পাঙথোকখিবা মেন্স ক্রিকেট ৱর্ল্ড কপগী প্রাইজগী শেনফমদগীসু হন্দক্কী ৱিমেন্স ও দি আই ৱর্ল্ড কপকী প্রাইজগী শেনফমনা হেল্লে। চহী অসিগী ওইনা চেম্পিয়ন ওইরবা টিমদা প্রাইজগী শেনফম ওইনা ডোল্লর মিল্লিয়ন ৪.৪৮ পীগদৌরি।


চহী অহুমগী মমাঙদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ৱিন্নর ওইখিবা মতমদা ফংখিবা প্রাইজগী শেনফমনা ডোল্লর মিল্লিয়ন ১.৩২নি। হন্দক্কী ওইনা রন্নর্স অপ তারবদা টিমদা ডোল্লর মিল্লিয়ন ২.২৪ অদুগা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা মায়থীহৌরবা টিমশিংনা ডোল্লর মিল্লিয়ন ১.১২ ফংগনি হায়রি।







## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1580**

**B. Houska (1989) - Jan Toman (2091)**
**20th Litomysl Open Litomysl CZE (5), 2019.12.29**

1.c4 Nf6 2.g3 g6 3.Bg2 Bg7 4.Nc3 c6 5.e4 d6 6.Nge2 e5 7.d3 O-O 8.O-O a6 9.Rb1 b5 10.a3 Nbd7 11.h3 Rb8 12.Be3 Qe7 13.b4 Bb7 14.Qb3 Kh8 15.Kh2 Ne8 16.cxb5 axb5 17.d4 exd4 18.Bxd4 Ne5 19.Rbd1 Ra8 20.Bxe5 dxe5 21.Rd3 Bc8 22.Rfd1 Be6 23.Qb2 Qa7 24.Nc1 Qxa3 25.Qb1 Qa7 26.Nb3 Bc4 27.Rf3 Qe7 28.Nc5 Nd6 29.Bf1 Bxf1 30.Rxf1 f5 31.Kg2 fxe4 32.Rxf8+ Qxf8 33.N3xe4 Ra3 34.Ng5 h6 35.Qc1 Nc4 36.Nge6...

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1579 Solution :**

**41. Bd3+** *The white bishop deflects Black's knight away from protecting the pawn and the square g6. Opening the line from f2 to f8.* **41. ...Nxd3**

*41...Rg6 42.Bxg6+*
*41...Be4 42.Bxe4+*
*41...Qxd3 42.Rc7+ Kh8 43.Qf6+ Rg7 44.Qxg7#*

**42. Qxh5+ Kg7 43.Qg6+ Kf8**

*43...Kh8 44.Qh6#*

**44. Qf7#** *Damiano's knight mate*

**1-0**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com